হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ০৮, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৯৫শুবা মশীং

# সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরসকী নেসনল রেজিষ্ট্রি

## নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম থিংনবগী থৌরাং

**নুপীগী** মায়োক্তা চথবা ক্রাইম থিংনবগী মতাংদা সেন্টরনা মমাং থাগী ২০ দা নেসনল রেজিষ্ট্রি ওফ সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরস (এন আর এস ও) শেম্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক নিপানগা মান্নবা মওংদা সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিংগী দেটাবেজ অমা শেম্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিংগী লিষ্ট শেম্লগা ফোঙখ্রবা অতৈ লৈবাকশিং অদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স, ওষ্ট্রেলিয়া, কেনাদা, আইরলেন্দ, ন্যুজিলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, ট্রিনিদেদ এন্দ টোবেগো অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা রেপ কেসতা চেন্নবা অমসুং মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিংগী লিষ্ট শেম্লে। মরাল লৈরবা ক্রিমিনেলশিং অমসুং সেক্স্যুয়ল ওফেন্সকা মরী লৈননা এফ আই আর লৌখৎখ্রবা মীওইশিংগী মমিং-মথা, লৈফম, ফিঙ্গরপ্রিন্ট, ফোটো, আধার নম্বর, দি এন এ সেম্পল অমসুং পান নম্বরনচিংবা পূম্নমক নেসনল রেজিষ্ট্রি ওফ সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরস (এন আর এস ও)দা ময়েক শেংনা য়াওগদবনি। চহী নৌরিবী নুপীমচা ফম্লানবগী মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ক্রিমিনেল লো (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স, ২০১৮ চৎনহনখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা এন আর এস ও শেম্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)না সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিংগী দেটা খোমজিনবা অমসুং চেকশিন্না থম্বগী থৌদাং লৌগদৌরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা চহী ১৫ দা থোকখিবা থৌদোক লাখ ৪.৫ রোম হেনবগী রিপোর্ট অমসুং ইনফোর্মেসন খোমজিনবা হৌরে। কয়া য়াম্না তমথীবা ক্রাইমদা চেন্নবগে হায়বদু য়েংলগা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিংগী লিষ্ট শেম্লগনি। কা-হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইদবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিংগী দেটা চহী ১৫ থমগনি। ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ক্রাইমদা চেন্নবশিংনা চহী ২৫ থমগনি। গেংরেপকুম্বা কা-হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিংগী দেটাদি পূন্সি চুপ্পা থমগদৌরি। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কাতুৱাদা মশাগী চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফম্লাল্লগা হাৎখিবদগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

থৌরাং অসিগী মখাদা সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিংনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা য়াম্না তোয়না রিপোর্ট তৌবগা লোয়ননা কদায়দা থবক তৌরি অমসুং করম-করম্বা মফমদা চৎলুবগে হায়বনচিংবা পূম্নমক তোয়না পাউ পীগদবনি। য়াম্না শম্না হায়রবদা মনীং তম্না চৎথোক-চৎশিন তৌনবগী খূদোংচাবা লৈররোই। ক্রাইমদা চেন্নবা সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিং কূপশেন শেন্নদুনা মতুং তারকপদা অমুক হন্না ফত্তবা থবক তৌহন্দনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুবু অরানবা তৌরুবা মীওইশিং খুন্দা-লৈতাহন্দুনা অচুম্বা লন্বীদা অমুক হন্না পুরক্লুবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা খরা শোয়দনা মায়োক্লুরগনি। পূন্সিগী তাঙ্কক অমদা খন্থবা ঙমহৌদবদগী অরানবা তৌরুবা মীওইশিং মরালগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহল্লবা মতুংদা খুন্দা-লৈতাহন্দুনা অচুম্বা লন্বীদা অমুক পুরক্লুবা হোৎনফম থোকই হায়না হ্যুমেন রাইট্স ৱাট্চ অমসুং এ সী এল য়ু নচিংবা হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন কয়ানা ফোঙদোক্লি। অমরোমদা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুয়ল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট ২০১২ না চহী নৌরিবা নুপামচা-নুপীমচা মশেল মশা-মশা য়ানরগা হকচাংগী ওইবা মরী থম্নবগী থৌওংবু ক্রাইম ওইনা লৌগনি হায়রি। নাকল অমরোমদনা সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরশিংগী নেসনল রেজিষ্ট্রি শেমদুনা মরাল লৈবা নৎত্রগা চেন্নবা মীওইশিংবু পূন্সি চুপ্পা শেন্নবগী থৌরাং অমা লৌখৎকদৌরি। অহকপা চৈরাক পীবখক্তনা ক্রাইম থিংবা ঙমগদবা নৎতে, ক্রাইমদা চেন্নবা নৎত্রগা চেন্নরকপা য়াই হায়না চিংনবা মীওই অমবু নেসনল রেজিষ্ট্রি ওফ সেক্স্যুয়ল ওফেন্দরসকী লিষ্টতা চলহন্দুনা পূন্সি চুপ্পা নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্বগী মহুৎতা খুন্দা লৈতাহল্লগা অচুম্বা লন্বীদা পুরক্লুবা হোৎনফম থোকই হায়বা হ্যুমেন রাইট্স ওর্গনাইজেসনশিংগী ৱাফম অসি খন্নবা চুমগনি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ওজা য়াওদনা করম্না মহৈ তম্বীগনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইন্দিয়া** অসি ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি কয়া লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়ানা শেম্বা লৈবাক অমনি। মসিদা মখল কয়াগী লোন ঙাঙনৈ। অদুবু মরুওইবা ইন্দিয়া মনুংগী অমগা অমগা পাউ ফাওনবা য়াবদি হিন্দি অমসুং ইংলিস লোন অনীসিনি। হিন্দি লোনবু নেসনলগী লোন ওইনা চৎনখিবা অসি কুমজা ১৯৯৪গী সেপ্টেম্বর ১৪দনি। অসুম্না কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ১৪দা ইন্দিয়া পূম্বা হিন্দিলোন দিবস পালন পাঙথোকপদা মণিপুর য়াওনা পাঙথোকখ্রে। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অসিগী মীওই কোটি কয়া অসি হিন্দি লোন খঙনবা হোৎনবা অমসুং লোনসিবু তম্নবা অমদি তম্লিবা অসিদা খরা হেন্না মরু ওইশিনবীনবা লৌখৎপা থৌরাংনি। মতাংসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর ১দা মণিপুর লৈঙাক্লা স্কুল ৬০৫ গ্রান্ট পীবিখ্রবনি। মসিদা সেকেন্দরি অমদি ইলিমেন্টরি স্কুল অনীসিদা লৈঙাক্লা ওর্দর নম্বর 14/4/80-SE dt. 20-9-80 and 4/8/85-SE (S) pt. dt. 4-4-1986 তা মথং মথং থোক্তুনা অপূনবা ওজা ১৭৪৯ এপ্রুভ তৌখ্রবনি। মসিদা হিন্দি তম্বিনবা ওজা য়াওদে। হিন্দিগী ওজানা হিন্দি, মেথসকী ওজানা মেথস, ইংলিসকী ওজানা ইংলিস, হিষ্টোরিগী ওজানা হিষ্টোরি তম্বীবা ঙাক্তনি। অতোপ্পা সবজেক্টতা হেঞ্জিন্না তম্বীরুবা য়াবা নত্তে। এদেদ স্কুলদা হিন্দি ওজা হাপ্পীদনা করম্না হিন্দি তম্বীগনি। এদেদ স্কুলশিংদা হিন্দি তম্বীরিব্রা-তম্বীদব্রা হায়বা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা খঙবীদে। অদুবু কুমজা ১৯৯৯গী এপ্রিল ২৬তা সেন্তরগী স্কিম অমগী মখাদা ওজাগী পোষ্ট ১০০দা ১০০ ফাইনান্স তৌদুনা এদেদ অমদি সেকেন্দরি স্কুলদা পোষ্ট ১০০ পীবিরকখি। অদুবু মদু কুমজা ২০০২গী ফেব্রুৱারী ৭তা মতমদুগী মীখল নুমিৎ ৫নিদা ঙাইরবা মতমদা ইলেক্সন কম্মিসনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈবদগী বেন তৌশিন্দুনা থম্বীখিবনি। মদুদা পোষ্ট অদুবু পায়জরম্বা ওজাশিংনা ৱাচৎ-ৱানোম তৌজবা অমদি কোর্ট ফাওবা য়ৌনদুনা কেস তৌখি। মতুংদা অমুক কুমজা ২০০৭ অমসুং ২০১১দা অমুক হন্না অহুম্লকশুবা ওইনা মথং মথং হিন্দিগী পোষ্ট রিইনষ্টিট তৌবা থিংজিন্দুনা থম্বীখিবনি।

মরকসিদা রিইনষ্টিট তৌখিনবা অমদি বেল তৌশিনবগী মরম পীরক্লুবা পি এম ওফিসতগী D.O. No. 7-4/2011/ALT/dt. 19-7-2011 of Shree Y.P. Mittra Eco. advisor of the Human resource department govt. of India and D.O. No. SEL/2017/00010 and D.O. No. SEL/P/2016/0097 and D.O. SEL/P/2016 এদ্যুকেসন সেক্রেটেরিদা পীরকখ্রবনি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্লা নমশিন্দুনা থম্বীরি। অদুগা হিন্দিলোনগী দিবস পালন থৌরম করিগীদমক পাঙথোকপীরিবনো। মসিদি তাৎনি হায়দবা য়ারোই। অসুম্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা ফংনখ্রবা তরুকশুবা পে এদেদকী ওইনদি পৈশা লৈতে হায়না ফংহন্দনা থম্বীরি। অদুবু হান্নদি অহুমশুবা, মরিশুবা, মঙাশুবা পেগী মথক্তা হরাও কুম্মৈগী বোনস ফাওবা য়াওনা ফংহল্লম্বনি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌজরিবা ওজা কয়াবু নমথবীবা অমদি হন্না য়েংবীদবা অসি থায়নগী উমংদগী থোরকপা কুইদ্রিঙৈগী মতমদা চৎনরম্বা য়াই অদুবু মতমদুগী চৎনবীদু ঙসিসু এদেদ ওজাশিংদা চৎনবী ওইনা থম্বীরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মণিপুরগী খুঙ্গং খুদিংদা এদেদ স্কুল লৈ, ওজা লৈ হায়বা খুঙ্গং চৎলবনিনা শোয়দনা থেংনবীরম্লগনি। এদেদ স্কুলদা ওজা হাপ্পীদনা করম্না মহৈরোয়শিং মহৈ হৈহনবা ঙমগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌগী মতাঙ কাবী লায়না ঃ বাকানি

**ডাঃ এম থোইথোই সিংহ**




বাকানি হায়বা ৱাহৈ অসি জপানগী লোলনি। মসিগী ৱাহন্থোক্লা "অপঙবা চারা" হায়বনি। লায়না অসিনা নারবা ফৌ পাম্বীনা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা খঙচাউ চাউখৎলকই, খরা লৈরগা খুইথরক্তুনা শি। লায়না অসি ফুজেনিয়ম মোলিফোর্মি হায়বা কোকফাই শুজা অদুনা থোকহনবনি।

**লায়ওং ঃ**

লৌহোল ওইনা লৈরিঙৈদা ঈশিং লৈবা মফমদগী ঈশিং তুংদবা মফমদনা হেন্না লায়না অসি তাই। ময়োন থিনগৎলকপা পঙকুই কুইদ্রিবা পাম্বীশিংদা ঙাঙলৈনবা নৎত্রগা অঙৌবা মচুগী কোকফাইশিংনা হাৎপা উগনি। অদুগা নারবা পাম্বীশিংনা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। পাম্বীদু নাপু মচু চঙলপ তৌই। মতাঙ শাংই অমসুং কংশিল্লক্তুনা লিংথোক্তিঙৈদা শি।

লিংথোক্লবা মতুংদসু পাম্বী খরদি মথক্কী লায়ওংশিং অসি উৎলকই। মতাঙশিং অদুদা মরা তারকই। অদুবু অয়াম্বনা অসিগুম্বা মতাঙ শাংবা অৱাংবা পাম্বীশিংসিনা মপান শাৎপগী তাংকক য়ৌবা ঙমদনা শিখি। হিংহৌবশিংদুনা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা ঙন্না মপাল শাই অদুবু মহৈ য়ানবা ঙমদে। খুইথরবা নৎত্রগা শিরবা পাম্বীগী মখোঙদা ঙাঙলৈননা ঙৌবা পাউদরগুম্বনা কুপশিন্দুনা লৈ। মসিদা কোকফাই শুজা অসিগী মরূ কোনিদিয়া মিলিয়ন কয়া য়াওই।

**করি করিনা পাম্বীসিবু য়াম্না থুনা চাউহল্লিবনো অমসুং খুইথহল্লিবনো? ঃ**

কোকফাই শুজা অসিনা য়াম্না মরু ওইবা কেমিকেল অনী নারিবা পাম্বী অসিগী মনুংদা পুথোকই। মখোয় অদুদি জিবেরেলিক এসিদ অমসুং ফুজেরিফ এসিদনি। জিবেরিলিক এসিদ অসি পাম্বীবু য়াম্না থুনা চাউখৎহনবা ঙম্বা পাম্বীগী হোর্মোননি। মসিনা পাম্বীবু ময়ামগা মান্নদবা মওংদা য়াম্না থুনা চাউহল্লি। মতুংদা ফুজেরিক এসিদ শুংদুনা পাম্বীবু খুইথহল্লি।

**করম্না লায়না অসিনা লৌবুক্তা হন্না হন্না উরিবনো? ঃ**

লায়না অসি ফৌদিদা লোইনরকপা লায়নানি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসিনা ফৌ মরূগী (ফৌদি ওইগদৌরিবা ফৌ) মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা পল্লকপা ঙম্বগী মতিক-ময়াই লৈ। কোকফাই শুজা অসিগী মরূ কোনিদিয়া নুংশিৎনা মফম অমদগী মফম অমদা পুদুনা ফৌ মরুদা নপহল্লকই। নৎত্রগা নুংশিৎনা, স্পোর অদু পুদুনা লাক্লগা ফৌ মপাল শাৎপা মতমদা মপালদা নপহল্লি। মফমদুদা কোকফাই শুজা অসিনা মতোন থোরক্তুনা ফৌদুদা য়াওশিনখি। মথি ফোংদনা লৈশিনখি। অদুবু মথংগী কুমদা অসিগুম্বা ফৌ মরূ অদিগী হৌরকপা পাম্বীদুদি লায়না অসিনা নাই। ফৌ মরূনা (ফৌদিনা) লৌবুক য়ৌদ্রিঙৈ মতমদা অসিগুম্বা কোকফাই শুজা অসিনা ফৌদিদা মনুং অমসুং মপান্দা য়াওরক্লুবসু কোকফাই শুজা অসিগী মপাঙ্গল ইকন কন্দবনা ফৌদিদা হিদাক তোৎতুনা ইকোম কোম্না লায়না অসি তাবগী চাং হন্থহনবা ঙমই।

**করি করি ফৌদা লায়না অসি তাগনবগে? ঃ**

জায়া, আই আর-৩৬ অমসুং অখন ফৌনচিংবদা লায়না অসি তাগল্লি।

**লায়না অসিদগী কন্নবা পাম্বৈশিং ঃ**

ফৌগী লায়না খূদিংমক্তগী মতাঙ কাবী হায়রিবা লায়না অসিনা ঙাকথোকপদা খ্বাইদগী হেন্না লায়বা লায়নানি। ফৌদিদা হিদাক তোৎপখক্তনা ফাওবা লায়না অসি তাবগী চাং অসুক্কী মতিক হন্থহল্লি।

**ফৌদিদা হিদাক তোৎপা ঃ**

সিষ্টেমিক ফংজিসাইদ থাইওফেনেট মিথাইল (তোপশিন এম নৎত্রগা বোকোগুম্বা) নৎত্রগা কার্বেনদাজীমনা ফৌদিদা য়াওরকপা লায়নাশিং ইরায় লায়না মাঙহনবা ঙমই। সিষ্টেমিক ফংজিসাইদ শীজিন্নবগী মরমদি ফৌদিগী মনুং থংবা শরুকশিংদা লৈরিবা কোকফাই শুজা মখল অসি হাৎপা ঙম্নবনি। মসিগীদমক থাইওফেনেট মিথাইল গ্রাম ২ নৎত্রগা কার্বেনদাজিম গ্রাম ১ ঈশিং লিটর ১ দা নীংথিনা তুমহল্লগা থাগদৌরিবা ফৌদি অদু পুং ২৪ ঈশিংদা তিংগনি অদুগা ওম্বা য়ারে। ফৌদি কিলোগ্রাম ১ গীদমক হিদাক থীৎলবা ঈশিং লিটর ১ ওইহনগনি।

লায়না অসিনা নারবা ফৌ পাম্বীশিং হায়বদি য়াম্না থুনা মতাঙ কাদুনা ৱাংখৎলকপা পাম্বীশিংদু ফুকতৎতুনা মৈ থাদোক্কনি। অসুম্না তৌরবদি লায়না অসিনা মখা তানা থংনবা পাম্বীশিংদা শন্দারক্কদবদগী কনবা ঙমগনি। মসিগী থৌওং অসি ফৌদিগীদমক খাকপা লৌফমদদি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি।

# চুজাক থাবগী খ্বাইদগী চানবা মতম

**এস সুমঙ্গল সিংহ**

**চুজাক** থাবগী খ্বাইদগী চানবা মতমদি খারিফ (জুন-জুলাই) মতমনি। অদুবু থাবগী অতোপ্পা মতম খরসু থম্বা তারবদি নিংথম চুজাক (ওক্টোবর-নবেম্বর) অমদি য়েন্নিংথা/বসন্ত/স্প্রিং চুজাক (ফেব্রুৱারি-মার্চ) পনবা য়াই। নিংথম চুজাক থাবগী চপ চাবা মতম ওইশিল্লক্লে হায়বা য়াই। মরম অদুনা কনাগুম্বগী থাফম চাবা মফম লৈরবদি শেন্দোং লৈনা চুজাক থানবা হোৎনবা য়ারে।

মালেমগী ওইনা চুজাক অসি ঐখোয় মীওইবা অমদি শা-ষণগী খ্বাইদগী মরু ওইবা চিঞ্জাকনি হায়না লৌনৈ। অতোপ্পা মওংদা চুজাক্কী চন্নফমদি য়াম্না লৈ। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি চীংগী লম খরগা তম্পাক্কী লম খরগা নত্তনা চুজাক থাফম য়াম্নদি লৈতে। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা ইচিন ইনাওশিংনা মসি শেন্দোং য়াম্না লৈনা থাবদি য়াই।

**নিংথম চুজাক থাবা ঃ**

নিংথম চুজাক থাবগী খ্বাইগী চানবা মতমদি মথক্তা থমজখিবা ওক্টোবর-নবেম্বর মতমসিনি। নিংথম মতম ওইবনা উন্দগী ঙাকথোক্লবা উপাই থিবা তাই। মরমদি দিসেম্বর-জন্যুৱারী মতমদা য়াম্না ঈংবা মরম্না চুজাক চাউবা খরা থিল্লি, খরা চেকশিনবা মথৌ তাই। ফেব্রুৱারী য়ৌরকপদা খরা শাগৎলকপগা লোয়ননা ঈশিং অমদি হার শীজিন্নদুনা শাহৌ ফগৎহন্দুনা ফেব্রুৱারী-মার্চতা থাবা চুজাক্তগী খরা ঙন্না লোক্তুনা অঙনবা অতেকপা চুজাক ওইনা য়োনবদা শেন্দোং হেন্না ফংবা ঙমগনি।

**লৈবাক লৈহাও ঃ**

চুজাক অয়াম্বা লৈবাক লৈহাওদা হৌবা ঙম্মী অদুবু ঈশিং তুংলোইদবা, খরা তোংতক তৌবা ফোলি তাবা মফম্না খ্বাইদগী হেন্না পক্লে। অশিন অয়াক্কী চাংদি কা হেন্নসু শিন্দবা, কা হেন্নসু য়াক্তবা পি ঐচ ৫.৫-৭.৫ ফাওবগী মনুংদা অদুমক নিংথিনা হৌবা ঙম্মী।

**থাফম শেম্বা অমসুং থাবা ঃ**

ফোলি তাবা মফমদদি লৌওন অনী-অহুম খোইরগা অদুমক য়াবা থেংনৈ অদুবু লৈতান লম ওইরবদি খরা মমুৎ তানা খোইবা চঙই। অসুম্না খোইরবা লৌফমদা খা-ৱাং ওইনা ফুট অনী-অনী পাকপা ফৈদোমশিং শেম্বীগনি। ফৈদোমগী মরক্তা ফুট অমগী চুরি/ঈরম শেম্বীগনি। ফৈদোমগী মমাঙ থংবা নাকচেপ্তা ফৈদোমগা ঈরোইননা চাওরাক্লা ইঞ্চি ৮-১০ লাপননা কাংখুল অমদা চুজাক মরু অনী-অনী থাবিগনি। হায়রিবা মওং অসিদা থাবদা চুজাক পরেংগা ফুট অহুম লাপ্পরগনি। ফৈদোমগীনা মথক্তা, চুজাক পরেং অনীগীনা কারক্তা হায়বদি ফৈদোম মথক্তা হৱাই (অনেম্বা মখল) নৎত্রগা কোলি হৱাই পরেং অনী থাবা য়াই। মঙ্গন/কোলিহৱাই পরেং অনীগী অরাপ্পসি ফুট অমা মখায় ওইহনসি, পরেংগী মনুংদা মরূ অমগা অমগগী অরপ্পনা ফুটখায়গী চাং থমসি। চুজাক হৌরবা মতুংদা কাংখুল অমদা অনী-অনী হৌরক্লবদি খরা শোনবা পাম্বী অদু লৌথোক্তুনা শা-ষণগী নৎত্রগা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

**চুজাক অমদি মঙ্গন মখল ঃ**

হায়ব্রিদ চুজাক পি এ সি ৭৪০, ক্বালিটি প্রোটিন মেজ শক্তিমান - ১ হায়রিবা মখলশিং অসি মণিপুরদা চানরবা মখল ঙাক্তনি। মখোয় খুদিংমক নিংথিনা থারবদি চুজাক অনী-অনী পানবা ঙম্মী। মণিপুরদা চানবা মঙ্গন মখলদি - অরকেল, গ্রীন পর্ল, আজাদ নৌনা চাংয়েং তৌবদা য়াম্না ঙন্না পানবা মহাওসু মণিপুরগী মখয়াৎ মুবীগা হায়ফেৎ মান্নরপ লৈবা পুসা শ্রী পানবা য়াই। কোলি হৱাই মখলদা স্নেহা, অন্নপুর্না পনবা য়াই। হায়রিবা হৱাই মখলশিং অসি মতম তেনবা চুজাক্তগী ঙন্না লোকখ্রগদবা হৱাই মখলশিংনি।

**মরূগী চাং ঃ**

হায়ব্রিদ অমদি ক্বালিটি প্রোটিন মেজ - শঙমদা কিলো ৫-৬ কম্পোজিৎকীদমক কিলো ৪-৫ চঙগনি। হৱাই মঙ্গলগীদমক শঙম অমদা মরূ কিলো ১৫-২০ ফাওবা চঙগনি। অসুম্না থাবদা শঙম অমা পাক চাউবা লৌফমদা চুজাক পাম্বী ১৫০০০-১৮০০০ ফাওবা চনগনি।

**হারগী চাং ঃ** ঙল্লবদি শঙম অমদা নিংথিনা পথু পুমথরবা ষম্থি ষণয়ুংগী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ৫-৬কা লোয়ননা চুজাক্কীদমক য়ুরিয়া কিলো ৩০-৩৫; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট (এস এস পি) কিলো ৬০-৬৫ অমদি মিউরিএট ওফ পোটাস কিলো ১৪-১৫গা লোয়ননা জিঙ্ক সলফেট কিলো ৫ চংগনি।

**হার হাপ্পগী মওং ঃ**



হার হাপ্পগী মতম শোয়রবদি হার হাপ্পগী কান্নবদগী মাঙবনা হেনগনি চেকশিনসি। অপূনবা য়ুরিয়াগী শরুক অহুম থোকপগী অমা, এস এস পিগী অপূনবা, পোটাসকী অপূনবা অমসুং অপূনবা জিঙ্ক সলফেট য়ানশিন্নরগা মরূ থাগদবা পরেংগী নাকল ওইরপ্পা সে: মি: ৪-৫ চখোক্লগা অমদি সে: মি: ৪-৫ মরূদগী লুথনা লৈবাক হন্দোক্লগা পরেংদা হাপহৌসি। অসুম্না হাপ্পসিনা হার চাইবগী কান্নবা য়াম্না হেল্লি। অদুবু অসুম্না পরেংদা চাইবগী খূদোংচাবা লৈত্রবদি অরোইবা খোইবদা অহানবগী দোজ অদু লৈবাক্তা মমুৎ তানা খোইজিনবীহৌগনি। হৌরবা চুজাকনা খুকউমুক ৱাংলকপা হায়বদি থাবদগী নুমিৎ ৩৫-৪০নি শুরকপা মতমদা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অমা মখোং খোপচিন্দ্রিঙৈ মাঙওইননা পাম্বীগী নাকলদা পরেং শানা চাইরবা মতুংদা মখোং খোপচিনবীগনি। মখোং খোপচিনবা মতমদা মরাদা হারনা থেংদনবা য়াম্না চেকশিনবীগনি। অরোইবা ওইনা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অদু মপান শাবা হৌরকপা মতমদা চাইবীগনি।

**হাবেংবা ঃ**

পাম্বী অমা ফনবা হোৎনবা মতমদা নাপী হৌহন্দবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। নাপীগা থারিবা পাম্বীগা মতম পূম্নমক্তা কম্পিটিসন তৌই হায়বসি কাউদবা ফৈ। চুজাক মরূ থারবা মতুংদা সিমাজিন নৎত্রগা এত্রাজিন গ্রাম ২৫০ ঈশিং লিটর ৫০০ দা য়াল্লগা লৈমাই চোৎনবা কাপথোকসি। মসিগা লোয়ননা থারবা মতুং নুমিৎ ৩০-৪০নি শুরকপা মতমদা অমুক খূৎনা হাবেংসি।

**ঈশিং চনবা ঃ**

চুজাক পাম্বীদি ঈশিং ৱাৎপা অমসুং হেনবা অনীমক্তা ফত্তে। ঈশিং ৱাৎপা মতমদা চুজাক পাম্বী শাহৌ ফনা হৌবা ঙল্লোই লোয়ননা চাথোক শোয়দনা হন্থগনি। ঈশিং তুংশিল্লগনা চুজাক পাম্বী শিগনি। চুজাক পাম্বীদি পুং ৬ ফানা ঈশিং থুমজিনবা মতমদা শিগল্লি। মরম অদুনা ঈশিং চিথোক চিশিন য়াবা ঈরম শেম্বীবা কাউদবা ফৈ লোয়ননা ফৈদোম খরা ৱাংনা তাখৎতবা য়াদে। নোং চুদবা মতমদা খুকউমুক ৱাংলকপা মতম অমদি মপান শারকপা মতমদা ঈশিং চনবিবা য়াম্নমক কান্নগনি।

**লায়না তীলনা ঃ**

চুজাক পাম্বীদা ময়োন চিকপি তীল তাগল্লি। মসিগীদমক ফুরাদান থ্রিজি হায়রিবা হীদাক অসি মরূ ৪-৫ চুজাক্কী ময়োন্দা থাদবিবা ফৈ। অতৈ লায়না তারকপা মতমদা অখঙ-অহৈ মতম চানা তানদুনা কলহৌনবা হোৎনসি।

হৱাই মঙ্গনগীদমক্তি য়ুরিয়া হার হাপত্রবসু য়াই অদুবু সুপর শরুক ৯গা পোটাস শরুক ৩গা য়ান্নরগা খুদোল মঙানা পায়বদা য়াওরকপা চাং অদু মরূগী নাকন্দা মরূদগী খরা লুথনা হাপসি।

চুজাক অমসুং হৱাই মঙ্গন অনী পূন্না থামিন্নবনা হৱাই মঙ্গন্দা তাগদবা লায়না তীলনা কয়া মরু ওইনা ৱাহিক অমদি মহী চুপ্পা অতৈ তীলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চুজাক্কী মনানা, নুংশিৎ শিৎপা মতমদা হাই হুম্না লেংবনা তীলশিং তান্থোক্লবগী মরম অমসু ওই।

**পোখোক ঃ**

অসুম্না চুজাক থাবা মতমদা লৌ শঙম অমদা চাউরাক্লা, অরন অকুং খেন্নবগী মতুং ইন্না, চুজাক পাম্বী ১৫০০০-২০০০০ ফাওবা থাবা মতমদা মসিদগী অশোই অঙাম খরা খাইদোক্লগা অশংবা চুজাক মপুম ২৫০০০-২৬০০০মুক্তি অদুমক লোকপা য়াই। চাংচৎতা চুজাক অমদা লুপা ৩ খক্তংদা য়োনবদা লুপা ৭৫০০০ দি ফংবা য়াই। তশেংনমক্তি লুপা ৩দগী হেন্না য়োন্নবা ঙাক্তনি। মঙ্গন্দগীসু অদুমক পোখোক মতিক চানা ফংবগা লোয়ননা শেন্দোং য়াম্না ফংবা ঙমগনি। অসুম্না কনাগুম্বা লৌ শঙম অমা লৈবা থৱায় য়াওবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা থা ৩-৪গী মনুংদা শেন্দোং ওইনা লৌ শঙম অমদগী লুপা লাক্ষ অমা খরা হেন্না তানবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে।